# ম্যান্মারগী প্রসিদেন্ট টিন চ্যাও ফম থাদোকখ্রে

## ম্যান্মারদা ফাখিবা রোইটর্জকী পাউমী অনী কোর্টতা পুথোরকখ্রে



য়াঙ্গোন, মার্চ ২১ (এজেন্সি) : ওং সান সু চিগা খ্বাইদগী নক্লবা মীওইশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা ম্যান্মারগী প্রসিদেন্ট টিন চ্যাও হকচাংগী ফিভম ফত্তবনা মরম ওইরগা ফম থাদোকখ্রে।

কুমজা ২০১৬ তা সু চিগী নেসনল লীগ ফোর ডিমোক্রেসি (এন এল ডি) না মীখলদা মায় পাকখ্রবা মতুংদা মশাগী চহী ৭১ শুরবা টিন চ্যাওবু ম্যান্মারগী প্রসিদেন্ট ওইনা ৱাশক লৌখিনি। মহাক্না চহী অনীরোম প্রসিদেন্টকী থৌ পুরক্লবসু সু চিগী অয়াবা য়াওদনা মখল অমত্তগী থৌরাং লৌখৎপা ঙমদনা লাকখি।

সু চিবু প্রসিদেন্টকী মথক্তা লৈবা ষ্টেট কাউন্সিলর কৌবা অনৌবা ফম অমা পায়হন্দুনা লৈঙাক্কী থবক থৌরমশিংদা মরু ওইবা থৌদাং লৌহন্দুনা লাকখি। মীশিং য়ামজদবা রোহিঙ্গা মুস্লিমশিংগী মতাংদা মশক থোকপা থৌরাং অমা লৌখৎকদবনি হায়না মালেমগী মীয়াম্না অকনবা প্রেসর পীরকখ্রবা মতুংদা টিন চ্যাওনা হকচাংগী ফিভমদা য়ূম্ফম ওইরগা ফম থাদোক্লবা ফিরেপ লৌখিবনি।

হৌখিবা থা তরুক্কী মনুংদা ম্যান্মারদগী চেনখিবা রোহিঙ্গা ফুরুপকী মীওই লাখ ৭ রোম বাংলাদেশতা চঙজফম লৌদুনা লৈরি। ম্যান্মারগী লান্মীশিংনা রোহিঙ্গা মুস্লিমশিংগী মথক্তা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অসি ফুরুপ অমা তুম্না মাঙহন্নবা হোৎনবনি হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সনা মরাল শীরি।

চু সিগা লোয়ননা লৈবাক্কী মতিক-ময়াই পায়রিবা ম্যান্মারগী মিলিটরিনদি ৱাফম অসি অরানবনি হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা হায়খি, অরাকান রোহিঙ্গা সালভেসন আর্মি (এ আর এস এ) কৌবা মিলিটরি গ্রুপ অমনা মরম ওইরগা রেফ্যুজীগী ৱাথোক অসি থোকহল্লকখিবনি। অমরোমদা লৈঙাক্কী অরোনবা চে-চাং লৌখি হায়না মরাল শীরদুনা ফাখিবা রোইটর্জকী পাউমী অনী ১১ রক শুবা ওইনা কোর্টতা পুথোরকখি।

মমাঙ চহীগী ডিসেম্বরদা ফাখিবা পাউমী অনী - ৱা লোন (৩১) অমসুং চ্যাও সো উ (২৮) বু ওফিসল সিক্রেটস এক্টকী মখাদা চার্জ মায়োক্লহনগদ্রা হায়বগী মতাংদা ট্রায়েল চথনবা য়াঙ্গোনগী কোর্টতা পুথোরকখিবনি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা ৱা লোননা হায়খি, নুমিৎ ১০০ নি জেলদা লৈরক্লবসু পূক্নিং হন্থবা তৌদে। অচুম্বগীদমক মখা তানা লান্থেংনখিগনি। রোইটর্জকী পাউমী ওইবা ম্যান্মার মচা অনীগী ময়ূমদা পুলিসনা থিব-হুম্বগী থবক চখবদা চিংননিঙাই ওইবা চে-চাং অমত্তা ফংবা ঙমখিদে হায়না ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখি। ৱারেন্ট য়াওদনা মখোয় অনী ফাখিবগী মতাংদা মায়কৈ কয়াদগী অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরকখি। অমরোমদা য়াঙ্গোন পুলিসকী মেজর সো ওংনা হায়খি, ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা ৱারেন্ট উৎলবা মতুংদা মীওইশিং অদু ৱাহং পাউহং চথনবা কৌখৎখিবনি।

# কাবুলদা সুইসাইদ বোমর ১না এটেক চথ্খরকপদা মীওই ২৯ শিরে



কাবুল, মার্চ ২১ (এজেন্সি) :

কাবুলদা লৈবা সিয়াইটকী লাইশঙ অমগী মনাক্তা সুইসাইদ বোমর অমনা মশা মথন্তা বোম পোকখায়হন্দুনা চথ্খরকখিবা এটেকতা মীওই ২৯ শিখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা মীওই কয়ামরুম অশোক-অপন নংলে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

অফঘানিষ্টানগী কোনুং কাবুলদা পর্সিয়াগী অনৌবা চহী হৌবগা মরী লৈননা নোরুজগী থৌরম পাঙথোক্লিঙৈগী চৈরক্তা সুইসাইদ এটেক চথ্খরকখিবনি।

জন্যুৱারি থাদা চথ্খরকখিবা এটেক অমদা মীওই ১০০ হেন্না শিখ্রবা মতুংদা অফঘান গভর্নমেন্টনা অকনবা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎলে হায়না ফোঙদোকখিবা তারবসু সুইসাইদ বোমর অমনা ঙসি অরাইবা মওংদা এটেক চথ্খরকখি।

মমাঙগী থৌদোকশিংগা মান্নবা মওংদা ঙসিগী থৌদোক অদুসু ইস্লামিক ষ্টেটকী মিলিটেন্টশিংনা থোকহনখিবনি হায়না ক্লেম তৌরকখ্রে। টালিবাননদি ঙসিগী থৌদোক অদুগা করিগুম্বা হীরম অমত্তদা মরী লৈনদে হায়না শেংদোরকখি।

# গদাফিদগী শেল লৌরুবগী মরালদা ফ্রান্সকী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা নিকোলাস সার্কোজি পুলিসনা ফাখ্রে



পেরিস, মার্চ ২১ (এজেন্সি):

লৈখিদ্রবা লিবিয়ন লূচিংবা মুআমর গদাফিদগী শেল লৌরগা ইলেক্সন কেম্পেনদা শীজিন্নখি হায়বা ৱাফম অমগা মরী লৈননা ফ্রান্সকী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা নিকোলাস সার্কোজিবু পুলিস কষ্টদিদা ৱাহং-পাউহং চথখ্রে।

মশাগী চহী ৬৩ শুরবা সার্কোজিবু পুলিস ষ্টেসনদা কৌরগা কুমজা ২০০৭ তা পাঙথোকখিবা প্রসিদেন্ট খনবগী মীখলদা গদাফিদগী লৌবা শেল শীজিন্নখি হায়বা ৱাফমগা মরী লৈননা ৱাহং-পাউহং চথখিবনি।

সার্কোজিনা অরানবা মওংদা গদাফিদগী শেল লৌরগা মীখলগী কেম্পেনদা শীজিন্নরে হায়বা ৱাফম অমগা মরী লৈননা কুমজা ২০১৩ গী এপ্রিলদা ইনক্বাইরি চথবা হৌখিবনি। অদুম ওইনমক সার্কোজিবু পুলিস ষ্টেসনদা কৌরগা ৱাহং-পাউহং চথবদি হন্দক্না অহানবনি।

সার্কোজিগা নক্লবা অলেকজেন্দর জোহরি কৌবা মীওই অমা মমাঙ চয়োলদা লন্দনদগী ফাখ্রবা মতুংদা হান্নগী প্রসিদেন্ট পুলিস ষ্টেসনদা কৌরগা ৱাহং পাউহং চথনবা থৌরাং লৌখৎখিবনি। সার্কোজিনা প্রসিদেন্ট ওইরিঙৈদা মিনিষ্টর ওইরম্বা ব্রাইস হোর্টিফেক্স কৌবা মীওই অমসু ফারগা ৱাহং-পাউহং চথখি হায়না বি বি সীগী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি। হান্নগী প্রসিদেন্টপু মেজিষ্ট্রেটকী মমাঙদা পুথোক্ত্রিঙৈদা পুলিসনা পুং ৪৮ ৱাহং-পাউহং চথবা ঙম্মী হায়রি।

ফ্রান্সকী লো মতুং ইন্না মীখলদা মীরেপ ওইবা মীওই অমত্তনা পাউন্দ ৬,৩০০ দগী হেন্না তেংবাং লৌবা য়াদে। অদুবু য়াম্লবা শেনফম অদু পানামা অমদি স্বিটজর্লেন্দদা লৈবা বেঙ্ক একাউন্টশিংগী খুখাংদা লোন্না সার্কোজিদা খূৎশিন্নরকখিবনি হায়না মরাল শীরি। ফ্রান্সকী লূচিংবা অসিনা লিবিয়াগী ডিক্টেটর ওইরম্বা গদাফিদা হীরম অসিগী মতাংদা লোন্না য়ানখিবা ৱাফম অমা লৈ হায়না ছোর্স অমা পল্লদুনা বি বি সীগী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি। সার্কোজিগী মীখলদা য়ুরো মিলিয়ন ৫০ তেংবাং পীখিবগী ৱাফম অসি লিবিয়াগী নেসনল ট্রাঞ্জিসনেল কাউন্সিলগী সিনিয়র মেম্বর অমনা ফ্রান্সকী ন্যুজ এজেন্সি অমদা লোন্না তাকথোরকখিবনি।

পনবা য়াবদি, মেজিষ্ট্রেট অমনা হান্নগী প্রসিদেন্ট নিকোলাস সার্কোজিবু কুমজা ২০১২ দা পাঙথোকখিবা মীখলদা অরানবা মওংদা শেল থাদখিবগী মতাংদা ট্রায়েল চথনবা হন্দক্তা য়াথং পীবা লৈখ্রবনি। কুমজা ২০০৭ তগী হৌরগা চহী মঙা প্রসিদেন্ট ওইখিবা সার্কোজিনা করিগুম্বা অরানবা তৌরম্বগী খুদম চপ চানা ফংবা থোক্লবদি চহী অমা জেলদা থমগনি হায়রি

# টেন্সন ৱাংখৎলকখ্রবা মতুংদা চাইনাগী এয়রক্রাফট কেরিয়র লিয়াওনিং টাইৱান ষ্ট্রেট ফাওরগা চৎখ্রে

*টাইপৈ, মার্চ ২১ (এজেন্সি) :*

*চাইনাগী অমতা ঙাইরবা এয়রক্রাফট কেরিয়র টাইৱান ষ্ট্রেট ফাওরগা চৎখ্রে হায়না ঈথৎ লৈবাক অসিগী ডিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখ্রে। বৈজিংনা লৈবাক মচেৎ তাহন্নবা হোৎনরকপা থৌরাং পূন্নমক চপ চানা থেংনগনি হায়না অকনবা ৱাফম থমখ্রবা মতুংদা অনৌবা থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি।*

*ডিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা হায়খি, লৈবাকপোকপা নুমিৎতা এয়রক্রাফট কেরিয়র লিয়াওনিং অমসুং অতৈ ভেসেল খরা টাইৱানগী এয়র ডিফেন্স জোনদা চঙলকখিবগা লোয়ননা য়ুমশকৈশা নুমিৎকী নুমিৎয়ুংবা অদুৱাইদা হন্দোকখি। চাইনিজ প্রসিদেন্ট জি জিনপিংনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা পীখিবা ৱারোল অমদা লৈবাক মচেৎ তাহন্নবা হোৎনরকপা থৌরাং পূন্নমক চপ চানা মায়োক্লগনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।*

*নেসনল পীপলস কোংগ্রেসকী চহীগী মীফমদা ৱা ঙাঙখিবদা জি জিনপিংনা হায়খি, চাইনাগী অপূনবা শক্তম কায়হন্দনা থমগনি। কনাগুম্বনা অপূনবগী শক্তমদা শীংনরক্লবদি মীয়াম্না চৈরাক পীবগা লোয়ননা পুৱারীনসু ঙাকপীবা তৌরোই।*

*কুমজা ১৯৪৯ দা থোকখিবা সিভিল ৱার অমগী মতুং তারকপদা চাইনা অমদি টাইৱান তোখায় তানখ্রবসু চাইনানদি হৌজিকসু টাইৱানবু চাইনাগী শরুক অমনি হায়না লৌরি। অমরোমদা টাইৱানগী প্রসিদেন্ট সাই ইং-ৱেননা চাইনাগী মায়োক্তা অকনবা ৱাফম থমখিবগা লোয়ননা হায়খি, করিগুম্বা চাইনানা টাইৱানগী থবক থৌরমদা খূৎ থিংজিল্লক্লবদি থোকহন্নিংদবা থৌদোক কয়ামরুম থোক্লকপা য়াই।*

*কুমজা ২০১৬ কী মেদা সাই ৱেননা টাইৱানগী প্রসিদেন্ট ওইখ্রবা মতুংদা চাইনাগী মায়োক্তা থৌরাং কয়া লৌখৎতুনা লাকখিবনি। নাকল অনীগী নৌনা টেন্সন ৱাংখৎলকপদগী চাইনানা সোভিয়েট মতমগী এয়রক্রাফট কেরিয়র অমা টাইৱান ষ্ট্রেটতা থৌজিন্দুনা টাইৱানগী মতিক-ময়াই উৎনবা হোৎনখি।*

*মমাঙ চহীগী জন্যুৱারিদসু চাইনানা টাইৱান ষ্ট্রেটতা জহাজ অমা থৌজিল্লুবগী মতাংদা নাকল অনী অকনবা মওংদা অৱাই-অখুম তৌনদুনা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লবা লৈখি।*

*ডিফেন্স মিনিষ্টর য়ে দে-ফানা ঙসি পার্লিয়ামেন্টতা হায়খি, লিয়াওনিংনা টাইৱান ষ্ট্রেট ফাওরগা চৎখিবগী থৌওং অদু কুপ্পা য়েংশিল্লি। এয়রক্রাফট অমদি ভেসেল কয়ানা চাইনাগী থৌরাং অদুবু কুপ্পা শেন্নদুনা লৈরি। হৌজিক ফাওবগী ওইনদি নাকল অনীগী মরক্তা পামদবা থৌদোক থোকপগী ৱাফম লৈতে।*

*পনবা য়াবদি, চাইনানা লম হুঞ্চি অমা ফাওবা থাদোকপা তৌরোই হায়না প্রসিদেন্ট জি জিনপিংনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। পার্লিয়ামেন্টতা মিনিট ৩০ রোম ৱা ঙাঙখিবদা মহাক্না হায়খি, লৈবাক্কী অপূনবা শক্তমদা শীংনরকপা পূন্নমক চপ চানা মায়োক্লনবা থৌরাং তৌরে। কনাগুম্বনা লৈবাক মচেৎ তাহন্নবা থৌরাং লৌখৎলক্লবদি চাইনিজ মীয়াম্না অমতা ওইনা মায়োক-মিন্ননবা শেম-শাদুনা লৈরে।*

*জি জিনপিংনা কনাগুম্বা লৈবাক অমত্তবু অতন্নবা মমিং পনবা তৌখিদ্রবসু হৌজিক হৌজিক চাইনা অমদি ইন্দিয়ানা ঙমখৈগী মতাংদা য়েৎনবা ৱাফম অমা লৈরিবনি। ইষ্ট চাইনা সীগী মতাংদা চাইনানা জপানগা য়েৎনবগা লোয়ননা সাউথ চাইনা সীগী মতাংদসু ভিয়েটনাম, ফিলিপিন্স, মলেসিয়া, ব্রুনৈ অমসুং টাইৱানগা মতম শাংনা য়েৎনদুনা লাকখিবনি।*


## ꯃꯥꯡꯂꯦ/ DOCUMENT LOST

I have lost my Original Certificate cum Marksheet of HSLC Examination, bearing Roll No. 15568 of 2014 issued by BOSEM & Original Certificate cum Marksheet of Higher Secondary Examination bearing Roll No. 11385 of 2016 issued by COHSEM, on the way from Bishnupur to Ningthoukhong on 28/02/2018. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

*Sd/-* **Tharoijam Yaiphaba**
Ningthoukhong

*HL-P/810/22*

## ꯃꯥꯡꯂꯦ/ R.C BOOK LOST

I have lost my Original R.C. Book of Activa (White Colour) bearing Regn. No. MN01AC 8905 isued by D.T.O Imphal West, on the way from Yumnam Huidrom to Chajing on 19/03/2018. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

*Sd/-* **Leimapokpam Birachandra Singh**
Haoreibi Awang Leikai
☎ **7005582309**

*HL-P/809/22*

## ꯈꯪꯖꯤꯟꯒꯗꯕ/NOTICE

**Imphal, the 21st March, 2018**

**No.P/M/SR/2018:** It is notified for general information that **"SAINIK SCHOOL IMPHAL OLD BOYS' FOOTBALL CLUB (SFC)"** has been formed and proposed to be registered under Manipur Societies Registration Act 1989 with its address at "**Sagolband Tera Khuraijam Leikai, Imphal West**" in the office of the Registrar of Societies, Manipur. So, if there is any claim /objection /suggestion regarding the registration under this name, the same be filed to the Registrar of Societies, Manipur within 15 (Fifteen) days from the date of publication of this Notice. Further complaint will not be entertained as per Rule No. 13 of MSR Rules, 2004.

***Sd/-* Salam Santosh, *President***
Sainik School Imphal, Old Boys' Football Club
☎ **8837471365**

*HL-P/816/22*

## ꯈꯪꯍꯟꯖꯕ/খঙহঞ্জবা

তাং ২১-০৩-২০১৮ ইং

Keirak Keisham Leikai দা **Social Development Club** কৌবা ক্লব অমা নৌনা শেমদুনা রেজিষ্টর তৌজরগনি। হায়রিবা অসিদা কনাগুম্বনা য়াওবীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ২৬/০৩/২০১৮ ইং ফাওবগী মনুংদা মখাদা শহি তৌজরিবা অসিদা পাউ ফাওবীরকউ। লোয়ননা হায়রিবা ক্লব অসিগী Secretary শঙ্গাইদা Managing Committee মেম্বরনচিংবা খন্ননবা পাঙথোকচরগনি। হায়রিবা অসিদা কনাগুম্বনা য়াওবীনিংবা অমদি য়েৎপীনিংবা লৈরবদি মখাদা শহি তৌজরিবা সেক্রেটরি অমদি দেপ্যুটি রেজিষ্ট্রার ওফ সোসাইটিজ, ককচিংদা পাউ ফাওবীরকপা য়াগনি। মখা তাবা ৱাকৎ অমত্তা লৌজরোই।

***Sd/-* K. BUDHACHANDRA**
***Secretary***
**Social Development Club, Keirak**

*HL-B/4541/22*

## ꯁꯤꯗ ꯍꯤꯗꯥꯛ/ মালেমগী অঙকপা ''শিদ হিদাক'' (লাইথুং ১০৮ কোকপা)

মালেম অসিদা লায়েংবদা ৱারবা লায়নাশিং হায়বদি দাইবেটিস, এজমা, বিপি, লু-তাঙ চিকপা, সাইনস, তোনসিন্নচিংবা অনাবশিং শুপ্নতগী থা ২/৩ গী মনুংদা ইরাই লায়না শিদ হিদাক্না ফহনবা ঙম্লে। হিদাক অসিনা ফিডৌ চৎপা, খৌনাও চাথৎপা মনুংদা মরুম-মরুম শৌবা, নাকোং ঙংবা, লাইখুল, খাঙবা ঙমদ্রবা কোক চিকপা, চৎপদা খুউ নাবা, খুৎ শা নিকপা, চাবা মহাও খংদবা, মনম ফাওদবা, নুংশং ককলাই পেরে থোকপা, মচুম তাবা, দাইবেটিস নাদুনা খোঙ মচুম তাবা, খুৎশা পাইশিনবা য়াদবা, মাইহিং কাবা, খোঙয়া, লৱাই শাবা, থবাক নাবা, লোক্তা ঈ য়াওবা, থাগী খোঙকাপ চাং নাইদবা, খোঙ হাম্বা পনবা, গাউট, অথ্রাইটিস, পেরালাইসিস, খ্বাঙ নাবা, চাকখাও নাবা চাথৎপা, কোক ঙাওবা, নাহিতাবা, লেংবা থিনবা, ঈপাই থিফাইনচিংবা অনাবা কয়ামুক ফহনবা ঙমই। হিদাকসি সলাইরেল শিদবা পম্থৌনা তাকপীবা হিদাক অমখক্তনা লাইথুং ১০৮ কোকহনবা ঙম্বা সাইট ইফেক লৈতবা মীওইবগী পুন্সি য়াম্না শাংদোকহনবা হিদাকনি। হিদাকসি **থিংনাম মঙ্গোলজাও মোবাইল নম্বর: ৮৭৩১৮০৭৭৩৯** না মীয়ামগী সেবাগীদমক শেমজবনি।

***হিদাক শেমফম অমদি লায়েংফম :***
**Shid Hidak Manufacturing Centre**
Singjamei Chingamakha Yanglem Leikai

*HL-P/815/22*

## ꯔꯦꯖꯤꯁꯇꯔ ꯇꯧꯖꯔꯒꯅꯤ/রেজিষ্টর তৌজরগনি

ঙসি তাং ২১-০৩-২০১৮ ইং, খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা ২০০৯ গী মতুংদা Y.A.S Department তা P.E.T ওইনা চঙলকপা Meritorious Sports Person and National Games Gold Medalists শিংনা য়ানবা অমগী মখাদা **"MERITORIOUS SPORTS PERSON AND PHYSICAL EDUCATION WELFARE ASSOCIATION Y.A.S MANIPUR"** কৌবা এসোসিয়েসন অমা শেমখ্রে অমদি মখাগী মীওইশিং অসি থৌ-পুবা ওইনা খল্লে।

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1. | K. Ranjit Singh | – | President |
| 2. | Th. Hollen | – | General Secretary |
| 3. | AK. Dilip Singh | – | Treasurer |
| 4. | A. Sandhyarani Devi | – | Publicity Secretary |

লোয়ননা এসোসিয়েসন অসি অথুবা মতমদা রেজিষ্টর তৌজরগনি। মসিদা কনাগুম্বশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ২৭-০৩-২০১৮ ইং ফাওবগী মনুংদা য়েৎপীবা য়াগনি।

***Sd/-* Th. Hollen**
***General Secretary***
Meritorious Sports Person and Physical Education Welfare Association, Y.A.S, Manipur

*HL-P/818/22*

## ꯈꯪꯍꯟꯖꯕ/খঙহঞ্জবা

Serou Transport Co-operative Society Ltd., Regd. No. 15, 2005-2006 না খঙহঞ্জরি মদুদি, Local Truck Owner শিংগী গাড়ীশিংনা সেরৌদা নুঙ, লৈঙোই লৌবা চঙবীরকপা মতমদা মথক্তা পল্লিবা সোসাইটি অসিগী অয়াবা য়াওদনা চঙবীদনবা হায়জরি।

***Sd/-* SECRETARY/PRESIDENT**
**Cont. Nos. :☎ 8974399156/9612565881**

*HL-P/3247/22,23*

## ꯋꯥꯟꯇꯦꯗ/ WANTED

- **Accountant** – Graduate with 1 years experience in Tally ERP9 & GST Knowledge.
- **Driver** – Heavy Licence Holder
- ***Salary :*** *Negotiable.*

***Office No. :*** ☎ **9612907615**
☎ **7005402221**

*HL-P/817/22*

## ꯑꯣꯖꯥ ꯑꯕꯗꯨꯜ ꯍꯛ

## পাইলসকী ওজা অব্দুল হক-পু থাগৎপা ফোঙদোকচরি

চহী ১৫ পাইলসনা নাবদগী য়াম্না ৱানা খাঙলকখি। হকচাংদা নুংঙাইতবশিংদি :- খোঙ হাম্বা খুদিংগী ঈ য়াওবা, চেকখায়রগা থুপ্পা, হকচাংথোংদা য়াম্না নাবা, মরক মরক্তা শৌজদা হাক্কৎচবা, চক-চক থিনবা, ব্রি-বি চৎপা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, কুইনা চংবা, শৌজ মনুং-মপান্দা পোম্বা, মদুনা মরম ওইরগা অৱাবা খাঙদুনা লাকখি। মমৈদা ৱাঙ্গোই ষ্টেট বেঙ্ক অৱাং (পাঙল লৈরক) দা লায়েংবীরিবা ওজা কবিরাজ **অব্দুল হক** Contact No. ☎ **9383214747** দা চৎতুনা তানজরুবদগী ওজাগী হিদাক চাবা অমদি তৈবা তৌজবদগী ঐঙোন্দা লৈরম্বা পাইলস অমদি অৱাবশিং পুম্নমক মপুং ফানা ফজরে। মতম চুপ্পদা মীয়ামগী সেবা তৌবা ঙম্বা ওইহনবীসনু হায়না মপুদা থৌনিজরি।

***থাগৎচরিবা :*** **O. CHINGKHEI**
**WAITHOU CHERAI**

*HL-P/733/22*

## ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ ꯗ꯭ꯔꯥꯃꯦꯇꯤꯛ ꯌꯨꯅꯤꯌꯟ
## MANIPUR DRAMATIC UNION

**OFFICE OF THE**
**MANIPUR DRAMATIC UNION**
**Yaiskul Police Line, Imphal**

**NOTIFICATION**
*Imphal, the 22nd March 2018*

No. MDU/17/FDF/18 : Manipur Dramatic Union is organizing the 6th ALL MANIPUR FOLK DRAMA FESTIVAL-2018 under the aegis of Ministry of Culture, Govt. of India commencing from 25th to 30th March, 2018 at the Auditorium of the Union at Yaiskul Police Line, Imphal West at 4:30 p.m. daily as per the schedule given below :

**FESTIVAL SCHEDULE**

| Sl. No. | Date/Time | Theatre group | Name of the play/Director |
|---|---|---|---|
| 1. | 25.03.2018 3:00 p.m. | Manipur Dramatic Union, Imphal | PIDONNU H. Deben Singh |
| 2. | 26.03.2018 4:30 p.m. | Langmeidong Dramatic Union, Langmeidong | UCHEK LANGMEI S. Ratankumar Singh |
| 3. | 27.03.2018 4:30 p.m. | Leimayon Arts' Centre, Chingamakha | HEIREM KANGBISHU O. Sharmila Chanu |
| 4. | 28.03.2018 4:30 p.m. | Lairenkabi Youth Dramatic Union, Lairenkabi | THONGLENGI AROIBA MIKUP T. Shamu |
| 5. | 29.03.2018 4:30 p.m. | North Eastern Theatre Association, (NETA), Heingang | TORBUNG THUMKHONG KANGBADA S. Nimai |
| 6. | 30.03.2018 Closing Function 3:00 p.m. | Aryan Theatre, Sagolband, Imphal | TONU LAIJINGLEMBI L. Bikram |

Sd/- Pangambam Setu Singh
General Secretary,
Manipur Dramatic Union, Imphal

*HL-P/820/22*

# JOB EMPLOYMENT NEWS



Job for - *CABIN CREW
*AIR TICKETING
* GROUND HANDLING DEPT.,
* GUEST RELATIONSHIP EXE
* RESERVATION EXECUTIVE,
* SUPERVISOR AND CSA

AGE LIMITED: 18 TO 30 Y.
BASIC SALARY: Rs 12,000/- TO 68,000.
APPLY MALE AND FEMALE BOTH .
EXTRA BENEFIT: EXTRA PAY FOR OVERTIME.

**Airlines Jobs 2018**
**10th, 12th, Graduate**

ALLOWANCE: PICK AND DROP FACILITY, PROVIDENT FUND, ESIC, ACCOMMODATION, O.T. FACILITY, UNIFORM, FOODING & LODGING

✲ BANK JOBS 2017-18, BANK RECRUITMENT (12 VACANCIES OPENING)
Name of the Post – Office Attendant , Head, Managers, Executive & Specialists
For Freshers- Graduates, 12th Pass, Location- Imphal
Pay Scale: Selected Candidates will draw a starting basic pay of ₹ 20940/- per month

✲ Offline Mobile Sms Job Without Investment
Students,Housewife, Freshers ,Employed..Every One Can Apply.
Monthly Fix salary of Rs-7500 to 12,200. Qua :- VIII-Graduation

✲ International job in Dubai.
Job in :- Finance, Management, Sales & Marketing, Healthcare, Administration.
Age :- Min18 to Mix 42 Years Qua :- X to Any Graduate or Diploma H
Salary :- Min-Rs- 65,000 with Accommodation.

✲ Job in Office Staff in Imphal,Manipur
Post:- 1. Field Staff / Field Executive - Min Qua- 10th Pass Salary- Rs-9,800 Starting/M
2. Front Reception / Assi-Accountant. Min Qua- XII Pass , Salary-Rs 13200 +inc

**URGENT FRESHER MERCHANT NAVY JOB OFFERS**




Post :- Seaman , G.P.Rating, Deck Cadet & Marine Technician. Age- 17 Years to 29 years.
*No Placement fees or Placement Charges*
*Qua - 8th pass /10th / 12th / Graduate or ITIPass.*
SALARY RS:-45,500 TO 85,000 MONTHLY

For more detail contact us at :- 8974975286
Or Visit at Leima Job Guideline Service,Kwakeithal Bazar,Imphal

HL-B/4484/8Feb-11Apl.

## ꯃꯤꯇꯩ ꯂꯥꯏꯌꯦꯡ/মীতৈ লায়েং

য়া শৎতনা লায়েংবা, য়াগী কেন্সর মায় পাক্লা লায়েংজরি। এন ইবোহল মীতৈ
**চীংমৈরোং মনীং লৈকায় লম্বী চংফম মচিন, নিয়র এসেমব্লী কমপ্লেক্স**



১। হৌজিক্কী মতম অসিদা মীয়াম্না মীপাইনরিবা বি.পি. হায়বসি ইমালোন্দা লাইয়ৈ য়ৈবা হায়বনি। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুনা অসুম চৎলম্বদগী বোম তুদুনা শিরে, তুমখিবদগী হৌগৎলক্তরে হায়বদি ঐগী লোলদা লাইয়ৈ য়ৈদুনা শিরে হায়বনি। হৌজিক্কী মতমগী লোন্দদি বি.পি. পোকখায়দুনা শিরে হায়না খঙনৈ। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুশিংনা থম্বীরম্বা হীদাকশিংনা লায়েংদুনা কনবা ঙম্লে। অকুপ্পা মরোল মীতৈ লায়েংদা নৈনবীয়ু, তান্নবীয়ু।

২। হার্টকী লায়না হায়বদি শ্বর হোনবা নুংঙাইতবা, শদৌ থোংবা, হকচাং চোকথবা, তুম্বা য়াদবা, অকি অখঙ পোকপা অসিনচিংবা লাইওং কয়া অসি হার্টকী ওইবা প্রোব্লেমনি। অদুবু ৱাবীরুনু মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা ফহনবা ঙম্লে।

৩। হৌজিক্কী মতম খুৎলায়গী পাঙ্গলনা চাংয়েং তৌবদা অনাবগী লাইওং পুথোকপা ঙমদবা লায়না লাইওং কয়া মীতৈ লায়েংনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। নুংশীৎকী লায়না (Gastric)।

৪। Make-up (Parlour) তৌবদা চান্নদবদগী মায়দা allergy তৌবা অসি মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা কোকহনবা ঙমজরে।

৫। মীওইবগী পুন্সিদা য়া হায়বা শায়রগা চান্নরীবা অসিবু পুন্সিগী লেঙদ্রবা পামেল অমা ওইহনবীয়ু। অদোমগী হকচাঙ ফহনবীয়ু। য়ানা মীওইবগী থৱায়নি। য়া নাবা অমসুং য়াদা মুবা তিল চাবা হোবা, য়ারীদা পোম্বা, নাই চাবা, ঈ থোকপা অসিনচিংবা কয়া শত্তনা অমদি তুংদসু অমুক হৌহন্দনা মায় পাক্লা লায়েংজরি।

৬। মথক্তা পঞ্জখিবা লায়নাশিং অসিগী মথক্তা মখাদা পঞ্জরিবা লায়নাশিং অসিসু ঐখোয়না চাংয়েং কয়া তৌজদুনা নীঙথিনা লায়েংজদুনা মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে। লায়নাশিং অদুদি :- নুংশং নাবা, লাই ওক্লবা, ঈশিং পুকচৎপা, নুপীগী থাগী খোঙকাপ শোইবা, ফীঙৌ চৎপা, ঈ-নুংশিৎ, লিবর, চাকখাউ নাবা, এজমা হারা, হুইনা চিকপা, লিন্না চিকপা, সাইনস, তোন্সিন অমদি কংখুনচিংবা লায়না কয়া, লালচাক-ফম্বী শোনবা, খোঙয়া শাবা, হকচাংদা ঈপুম নাইপুম লৈবা (without surgery) ফহনবা ঙম্বা হীদাক, খ্বাঙ নাবা, মটু লৈবা, অপোম্বা খুদিংমক, নুংশিৎ চংবা (হিংচাবী চংবা), মীৎ-নাপু কাবা, খোঞ্জেল শীথবা (voice down), ঈ-য়াই হকচাং নোয়বা ফনবা অমদি মশা পাবা নোয়নবা, নাহি তাবা অমদি ঊনশাগী লায়না কয়া মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে।

**অকুপ্পা মরোল খঙবীনিংবশিংনা মীতৈ লায়েং ইবোহল, সনাতোম্বা, গোপাল অমসুং মোধুবলাদা তান্নবীয়ু।**

**Regd. No. 4277 of 82 April**
Phone No. **9615533737, 9856271907**
**DR. N. IBOHAL MEITEI, State & National Awardee**

HL-B/4522/10/3-9/4